নাগাগী ধর্ম্ম অমসুং

হৌনা লোনচং



পাইবা :

মরুলুং রেমৈম্মে

কথুলোং., পাউনা বাজার ইম্ফাল

কোংজবী :

শ্রীমতি অমুবী রেম্মে

...পাওনা বাজার, ইম্ফাল



...ঙবা ১৯৮৩ জানুয়ারী ৩১

কপী ... ১১০১

...টকুং থাইমৈ

ব্লোক শাবা : এন. মঙ্গী সিংহ এন্দ সন্স

এলাংবম লৈকা:য়, ইম্ফাল

হক পুম্নমক অইবগীনি।

মমল : জেকেত কোভর লুপা ৮.০০ (লুপা নিপাল)

অচম্বা মখুম লুপা ৫.০০ (লুপা মঙা)

NAGAGI DHARMA AMASUNG HOUNA LONCHAT

BY

MARULUNG REMMEI

Kakhulong, Paona Bazar Imphal.

Published by :— AMUBI REMMEI, Kakhulong

Price :— Ordinary Cover Rs. 5 & Jacket Covered Rs. 8

Printed at Pra...p Printing Works, Paona Bazar, Imph.



This book is dedicated to the Naga Communities in general and the Zeliangrong Tribe in particular.

R. MARULUNG

হিরম লামাই

বাহৌদোক

হৌজিক মরায়া নাগা তায়রগা থংনরিবা অপুনবা জাংকী মশিং অসি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা কৌনরক্লবা মিংদি ওইরম্মরবা মাই। অহুবু ইন্দস ভুরেলগী মপান্দা খুন্দারবা মীশিংবু হিন্দু হায়না কৌখিবা অহুগুম্না কিজেংভবা অমদি হকচাং তম্বাইদা কি শেংপ্পা নত্রগ: নাহংপা, নত্রগা লিল লাংপ্পা মীশিং অহুবু নাগা কৌখিবনি হায়বা অসিস্থ থমনিঙাইনি। হিন্দু কৌবা অপুনবা জাংকী মনুংদা মহারাস্ত্র, গুজরাংতি, পঞ্জাবী, বিহারী বেঙ্গোলী, মৈতৈ অসিনচিংবা লৈবগুম্না নাগা হায়বা অপুনবা জাংকী মনুংদস্থ অংগামী, শেমা জেলেংরোং, তাংখুল, মাও অসিনচিংবা লৈরি। হিন্দুশিংনা চংলিবা ধর্ম্মবু হিন্দু ধর্ম্ম (Hinduism) কৌবা অহুগুম্না নাগাশিংনা য়েলহৌঙৈদগী চং-নরক্লিবা ধর্ম্ম অসিবুস্থ নাগা ধর্ম্ম (Nagaism) নত্রগা হোই ধর্ম্ম (Hoism) হায়না খোনবদা খোইমা লাম্নোই হায়না থক্নি। নাগা ধর্ম্ম চংপা মীদি করম করম্বা মীনো হায়না থংবা তারবস্থ "হো" হায়না হোই লাওবা, য়ুঙৌ স্বংহুনা থকপা; ঈশ্বরদা চাকপান ম্নুপান থাবা, নামুংবা কর্ম্ম তৌবা, অঙাং অমা পোকপদা নাহংপা মীশিংবু নাগা জাংনি হায়না লৌবা মাই। নাগাগী ধর্ম্ম অসি মশানা অহুমক লৈজয়রবস্থ ময়ায়া শক থংনবা ধর্ম্মগী

মমিংদি ওইরমদে। মরম অসিদগী অতোপ্পা ধর্ম্ম চৎপা মীশিংনা নাগ শিং হায়বদি নাগা নখ্রীষ্টেনশিং অসি কয়ম্বা ধর্ম্ম চৎলিবগে হায়না হংবদা খুদা বানা থোক্‌ই। অসিগী মথাক্তা খৃষ্টেন নত্তবা নাগা মচাশিংনা করিগুম্বা দরখাস্ত ফোর্ম অমা মেনশিনবা মতমদা। কেন্দিনেংকো ধর্ম্ম ইগদবা মফমদা কয়ম্বা ধর্ম্মগী মিং ইশিনগদগে হায়বা খংদত্রুনা কোইহং হনবস্তু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা নখ্রীষ্টেনশিংগী অয়াবা তারিবা অসি কোক্লবা হংয়ত্রুনা নাগা ধর্ম্ম (Naga religion) অসি করিনো হায়বা অদু খরদং নৈনবনা হুদা মাগী খন্দুনা "নাগা-ধর্ম্মগী মরমদা লাইরিক মচা অসি পুথোকচবনি।

লাইরিক অসিদা ইত্তরিবা বাফম খর অসি অইবা ঐহাক্তা ইরয়াই ইবুদ্ধিদগী পুথোক্লুনা ইজবা নংচদে। নাগাশিংনা খাইনদগী হৌনা চংশকলিবা লাইনিং, লাইশোন, ইরাৎ থৌনি, ইপানাৎ ইপুনাৎ, মীরোন অমদগী মীরোন অমদা শিন্নরক্লুনা লৈরিবা ময়াম অদু অখং-অহৈ, অহল লরন কয়াদা হংজবদা তাকপিরকপা পাওতাক্লনা য়ুমফম ওইরগা ইজবনি। মসিদা অয়ান অদুই কয়া য়াওরবস্তু তাকপিগনি। অমস্তুং অশোয়বশিং অদু মখংগী খুংনমদা শেমদে কচনবা অখং অহৈশিংনা তাকপীরক্লবস্তু হায়জরি।

জাতিগী ওইবা থাইনদগী চৎনবকলিবা ইপা ইপুগী ধর্ম কর্ম, চৎন-লোনচৎ, থাইনদগী লিনবকলিবা ৱারী অমসুং ইশৈ নোংথাই পুম্নমক অশি অইবা লাইরিক ওইনা লৈহোনবা হোৎজনবকলিবা থবক অসিদা ঐগী য়াম্না নুংশিজরবা মরুপ শ্রী পিঃ কোকঙাং সিংহ, ইরৈপাককী ইডিতরনা মতেং য়াম্না পাংবিবদগী লাইরিক থম্না অশি কোংজবা ঙম্নি। নুংশিজরবা মরুপকী তৌবমল তোনজরবনি।

মরুপনুং

তাং ১৫ | ১২ | ৮২ ইং

কখুলোং ইস্কাল

অহানবা তাঙ্কক

তাইবংপান শেম্বা

অহানবদা তাইবংপান অসি অমমবগী মশক ওইনা লৈরম্মী। মরমদি জগৎ অসি ঈশ্বরনা ইহান হান্না শেম্বা মতমদা করি অমত্তম্বু লৈত্তনা ইহাং হাংনা লৈরমই। মতম অদুদা ঈশ্বরনা ইহান হান্না খেনবা অমগী শকতম লৌহুনা "কা করো কো" হায়না খোংলবা মতুংদা মুমিং কৌবা লাই অমু মৈবুন অমগী মতৌগুম ইঙান ঙান্না জগৎ অসিদা খোয়রকখি। অমুগী মুমিত্তগী মচেৎ অমমম মথং মথং খোকখিহুনা হৌজিক লৈরিবা গ্রহ অমস্তুং উপগ্রহ ময়াম অসি খোকখিবনি হায়না থাজনরি। ঐখোয়না লৈরিবা পৃথীবী অসিসু গ্রহ ময়াম অমুগী মনুংদা অমনি। ঐখোয় মীওইবনা থাজে মহুদি জগৎ অসি ঈশ্বর মাগী অচৌবা শক্তম অমনি।

চহি লিশিং কয়া কয়া লৈরবা মতমদা পৃথীবী অসিদা জীব লৈবা য়ারবা মতম অদুদা ঈশ্বরনা জীব ময়াম অমস্তুং কাইনথংদা মীওইববু শেম্লগা পৃথীবীগী মথক্তা লৈবা য়ানবা শিনবিখিবনি। পৃথীবী অসিদা মীওইবনা লৈবা য়ারবা কাও-বদা য়াম্না রানা লৈনবগী কিবমদা লৈরমই। মরমদি মুমিংকৌ মৈশা অসি চাং য়াম্না হেন্না শাবা অদুদা মীওইবনা মপান শোকহুনা থবক ইনথাং ঙবা ঙমলমদে। ঐখোয় জেলেংয়োংগী

ইপা ইপুশিংগী ৱাখী মতুং ইন্না অচুম্বা হায়রৈ মাদুদি নুমিৎ থা, পৃথীবী অসি শেমলকপগী মহানবা মতমদা নুমিৎ অমি, থা অমি লৈরম্মী। নুমিৎ অমি অহু মমনা লাবনি অমমা অখোয়বনি। নুমিৎ অনিগী মৈশা অসি থাংবা ওমক্রে হায়দুনা উনা, মাদা অমম্বুং অতৈ পোৎনা তেন শাদুনা নুমিৎপু কাপখি। পোৎ অতৈনা তেনহৈ শাদুনা কাপ্পা মতমদা নুমিৎ মনাক য়োৎবা [illegible] নুমিৎনা চাকথেকখিবনা হানদুনা নুমিৎ অহুবু য়োৎনা কাপ্পা কংখিরে। মখুং-দদি মী অমনা ওকাং কোৎবা উনা অশাংবা অমগী অনৌব মচু অমা য়াল্লগা মাদুনা তেনহৈ শাদুনা কাপ্পা মতমদা অনৌবা ওকাং অহুবুদি নুমিৎনা চাকথেকপা ওমদুনা নুমিৎ অমি অহুগী মথুংনা নুমিৎ অগাবা অহু ওকাংগী তেন্না থাদুনা শিখিবনি। নুমিৎ অমবু হাংখিবদগী থা অনিগী মরক্তা থা অমা অহুম্ থাংক্রে হায়রৈ। নুমিৎ অনিগী মন্থুংদা নুমিৎ অমদি হাংখিবদগী পৃথীবী অসিদা মী অমম্বুং অতৈ জীব পুম্নমক লৈবা য়াখিবনি হায়রৈ।

হৌজিক ঐখোইনা উন্নবা নুমিৎ অমা অসিমু অহানবদদি পৃথীবীগা য়াম্না নকশিনবা লৈবকদগী অনুবী অমনা কৌরা অমগী মনাক্তা থম্বা ৱাশাং (নপ-কাওবুইজোন) [illegible]না নুমিৎ অহুবু থম্না বাংথংহনগনু হায়দুনা ইনথংকে তৌবা অহুদা নুমিৎনা পৃথীবীদগী থাপতোকখিবনি হায়রৈ।

পৃথীবী অসিদা মী অমসুং জীব লৈবা হায়বা মতম [illegible] পৃথীবী মশাগী লৈবাক অসি [illegible] লৈরম্লে। [illegible] [illegible] ঈশ্বরনা [illegible] লৈরম্লে [illegible] [illegible]; [illegible] লৈরবী। লৈরম্লে [illegible] হৌখি [illegible] [illegible] [illegible] পৃথীবী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] না [illegible] উচি কৌনবিবা [illegible] [illegible] ([illegible]) [illegible] লৈরা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অদু পৃথীবীগী মশক [illegible]। লৈরম্লে [illegible] [illegible] [illegible] পাক্লী [illegible] [illegible]। লৈরম্লে অদু [illegible] [illegible] [illegible] [লাকৌ] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। লৈরম্লে [illegible] [illegible] পৃথীবী শিনবা থুংনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মচুংদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈবাক [illegible] চার-চারগা [illegible] ওইনা, [illegible] [illegible]-[illegible]। [illegible] [illegible] পৃথীবী [illegible] লৈবাক শিনবা থুংনা লৈখিবনি। পৃথীবী অসিদা লৈবাক লৈরবা মচুংদা, [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] লৈ, [illegible] লৈকো [illegible]। পৃথীবীগী খোংলৈ [illegible]-[illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওইনা [illegible] [illegible] হৌখিকন্থ [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]

[illegible]

মতমগী মাংথোকনবা অমমবা অখিংগী লোংবাই মথুং পুং [illegible]-লোম থাবা মঙমলা মতম কাইথেনা থোংলিবা "অনিমি" অমুমা অতোপা থুদম অমনা হৌজিক কাওবম্ ভিন্থ্রেকখা [illegible] চাম চাম্‌গা লৈবাক অমুক কাইথোকলিবা অনিমি।

"ধর্ম্ম মমিং থোনবা"

হৌজিক কাওবমা পৃথীবী অসিদা ভু, বা, নাপী, শিংথুম্বা, কৈ, উচেক বাবা, মীওইবা অসিনচিংবা লৈবিবা ময়াম অসিবু মহৌশাগী ওইবা নিয়াম (Natural Law) অমগা মথাদা বায়েন থোদাবীনবা ঈশ্বরনা লাই ময়াম থারিবকথি। লাই ময়াম অসিগী মরক্তম্ পৃথীবীগী অমখি গ্রহ অমসুং উপগ্রহগী ওইবা লাইনিংথৌ (না রাগোং) অমা থারকথি। অসিগুম্বা মতম অসিদা জগৎকী মথুংগো ঈশ্বরনা পৃথীবী অসিগী মথক্তা লৈরিবা জীবা ময়াম অমসুং লাই ময়াম লৈহনহনা মাগী মাগী লোন, লমচৎ শাজং তথবীহনা মীওইবা অমসুং জীব ময়ামগা লাই ময়ামগা বান্নী বাজাই শামবা চাথিন থকথিমবা পুম্নমক্কী থোরমলি। অহনগী ঈশ্বর মাগী বাথম্মা মীগা লাইগা লৈনিমবা অসি কত্তে হায়হনা মীওইবগা লাইগা লৈমিনবা ময়াদনবা শিনথিরবগী থৌরা লাইবু উনবা ওমদনবা অহনগা লাইনদি মীবু উবা ওমনবা

য়াথং পীবি। হৌয়িক ঐখোই মীওইবনা মাগী ম্লাগী কাংলুপকা ওইবা সাসন লৈবা অস্থমনা লাইগী স্থু সাসম অমগী মুরাবা লৈর-রগনি হায়না থাজবরি। মীওইবনা পৃথীবী অসিদা চহি চা, লিশিং কয়া লৈনরকলবা মতুংদা অকনবনা অশোনবরু লৈহংপা, শকতি মুনববা অসিনচিংবা কয়া তৌহনা লৈবা অহুগা লাই ময়াম্বু অমদি শেন্দ্বোবা মপু ঈশ্বরবুস্থু কাওশোজুনা লৈবা মহমদা জগংকী মপূ ঈশ্বর ইবুংঙোনা মাগী য়াথং শন্দোকপিনবা মীওইবা কাংলুপ খুদিংদা স্বর্গগী দুত অমমম থাবিরজুনা ঈশ্বরগী য়াথং/ পাওতাক কয়া শন্দোকহল্লি। অহুগুবা লাইগী দুতশিং অহুদি জেলেংরোং নাগাশীদা হায়রগা ভেংলাম [হাইপৌ রাগোং মু চরা কন্দি মুজুংপু], খৃষ্টানশিংগীদা হায়রগা জিজস খৃষ্ট, মুসলিম-শিংগীদা হায়রগা] মহমদ, অমস্থং হিন্দুশিংগীদা হায়রগা কৃষ্ণ, চাইনা, জাপানগীদা হায়রগা গৌতম বুদ্ধ অসিনচিংবা অসিনি। জিজস খৃষ্টনা শন্দোকলবা ধর্ম্মবু খৃষ্টেন ধর্ম্ম (Christianity), মহমদনা শন্দোকলবা ধর্ম্ম অদুবু ইসলাম ধর্ম্ম [Slamism] কৃষ্ণনা শন্দোকলবা ধর্ম্ম অদুবু হিন্দু ধর্ম্ম [Hinduism] গৌতম বুদ্ধনা শন্দোকলবা ধর্ম্ম অদুবু বৌদ্ধ ধর্ম্ম [Budhism] কৌ-নরিবা অসিনি। ধর্ম্ম শন্দোকলবা লাইগী অবতারশিংগী মমিং লৌহনা ধর্ম্ম মমিং অমমম থোল্লিবা অসিগুম্বা ঐখোই নাগা-শিংগী কাংলুপ্তা মরুওইনা জেলেংরোং নাগাশিংগী কাংলুপতস্থু হাইপৌ রাগোং মু-চরা কন্দি মুজুংপুগী মিং লৌহনা নক্রগা

মামা তাকপিরম মকুওইবা পাওতাক হায়বদি অমা মুংঙাই অনিমক্তা "হো" হায়বা খোনথেংক্লা হোই লাওহুনা লাই শোম্নু হায়বা অসিনগী লৌহুনা হো ধর্ম্ম (Hoism) নত্রগা নাগা ধর্ম্ম অসি কৌহুনা ধর্ম্ম অসিগী মথিং অমা লৈহনবা [illegible]। মথক্তা পনজবিবা তোঙান তোঙনবা ধর্ম্ম চংপা কাংলুপকী ধর্ম্ম লাইরিকশিং অহুমা জগংকী মথুংঙো ঈশ্বরগী মমিংসু ভেলেং-লা ইহুন লৈরিবা অহু এঁখোইনা খেংনরি। মখুদি বাইবলদা ইরিবা মতুং ইন্না ঈশ্বরগী মমিংদি "যাহোবা" কৌই কোরানদা ইরিবা মতুং ইন্না "অলাহো" গীতা লাইরিক্তা ইরিবা মতুং "হোরি" কৌই। জেলেংরোং নাগাশিংনা থাইনদগী হৌজিক কাওবা কৌমরিবা অমগুং শোমরিবা ঈশ্বরগী মিংনা "হো" কৌই হায়বদা খোইনা লাগ্নোই। মরমদি হাইপৌ রাংগোং মু চরা কন্দি মুঙুংপুনা "হো" হায়বা খোনথোক অসি অরা মুংঙাই অনিমক্তা কাওগনু হায়না তাকপিরমবা অহুনি।

য়েলহৌতৈদগী মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং মথং ইন্নাং-পূজা, থৌনি লাইশোন তিনশোন; নামুংবা অসিনচিংবা কন্না অসি মীচিন অমদগী মীচিন অমদা শিন্নরকলিবা মাথং [পাওতাক] মন্নাথ অসি লাইরিক অমদা মরিক চুমনা ইহুনা থম্না জম্নবদি নাগাগী ধর্ম্ম লাইরিক হায়বা অহু ওইরমগনি হায়বদা হায়মদবা খোকলোই।

———

অহুমশুবা তাঙক

জেলেংরোং নাগাগী ধর্মগী হৌরকফম

জেলেংরোং নাগাশিংনা [illegible] মতুংদা [illegible] লাই অমখক্তা লাইনা [illegible] লৈ। লাইশিং [illegible] "হো" কৌবা লাই অসিনা খুইদগী [illegible] লাইনি (He is the highest of Gods) [illegible] "হো-ছিংকাও রাংগোং" (Ho-king of Heavenly God) হায়না কৌই।

"হো ছিংকাও রাংগোং" মহাক্তনা জগৎ, সংসার অসি শেম্লবনি। মহাক্কী স্বর্গদা লৈবা লাইনি [illegible] ছিংকাও রাংগোং" হায়না কৌই। মহাকপু ভক্তি [illegible] কৌরকনা "হাইপো ছিংকাও রাংগোং" হায়নসু কৌই। মহাক অসি পুম্নমক শেম্লবা মপুনি। মহাক্তনা থুমিং, থা, [illegible]চাক (গ্রহ, উপগ্রহ), পৃথিবীদা লাই, মনাম, মীং মযাম, [illegible] অতে অতে জীব, মনাম, সংসারদা উরিবা পোৎ পুম্নমক শেম্লবনি। জগৎ অসি [illegible] লৈরে, [illegible] লৈ। মহাকা, [illegible] অমত্তা লৈরে। [illegible] ঐখোয় মীওইবনা শিংথাহনা লোইনা [illegible] হৌবসু মহোৎশগী হৌবা, লোইবসু মহোৎশগী লোইশনবনি হায়না লোই।

[illegible] মগা শিক্ষা [illegible] হায়নে মায়াদ ৰগং [illegible] [illegible] [illegible] লৈরিবা অদিগা করিবগা মতম [illegible] [illegible] [illegible] পৃথিবী অসিদা লৈখিনবদে। [illegible] মীনা লাইশা লৈরিমক্কিদ মতমদা: [illegible] লাইনবু মাদু [illegible] অদুগা মীনা লাইগদবু কারি [illegible] [illegible] মতম [illegible] লৈরমই হায়রে। মতমা অদুদা লাইশিংনা মীশিংদগী শক্তি [illegible] হেন্না লৈরকিনদা লাইশিংনা মীশিংবু ওং-নৈবা [illegible] তৌ- [illegible] [illegible] ভিংকাওরাগোং (চন্দ্র) না হেন্না [illegible] [illegible] ঈশ্বরনা লাই মরামবু মীসংদা লৈহনবা। অদুগা মীনা লাইবু উদনবা অদুগা লাইমাদি মীবু উনবা শিন- [illegible] হায়রে। মীনা লাইবু উদনবগীদমক মীওইবগী [illegible] [illegible] ঈশিংদা [illegible] অহুদগীদি মীগী মীংনা লাইবু উবা [illegible] হায়রে।

পৃথিবীগী মী, শা, ডচেক; ভিল-কাং মরাম লৈরিব অদুম [illegible] লাইলৈবাক্তম্বু লাই কোটি কয়ামরুম লৈরিবা অদুগী [illegible] [illegible] থৌদাবিরিবা হায়দুনা "না রাগোং" (লাইনিংথৌ) [illegible] লাই অমবু হাইপৌ হো ভিংকাও রাগোংনা রাখু [illegible] "নানাগোং" (পৃথিবীগী লাইনিংথৌ) অদু মচা [illegible] পোক্লবদে। মচা নুপী অমাখকতং পোকখি। রাগী [illegible] "[illegible]" কৌই। নাংরাগোংগী মচন নুপী [illegible] লৈরবদা নাগী মচিনা চরা থিংরংপুই কৌই। নোংমদি

নারাগোং (লাইনিংথৌ)না মচা নিপা পোকচবে হায়দুনা ভিংকাও রাগোংগী মকমদা মচা নিপা নিপান পোকখা থর নিজকরে। ভিংকাও রাগোংনা না- রাগোং (লাইনিংথৌ)দা থর অদু পীরে। অদুবু না-রাগোং [লাইনিংথৌ] অমিনা থরা-রেম্না ভাকপিরকপা য়াথং অদুগী মতুং ইমা ভৌরুমবদগী থর অদু মচন মুপী চারা খিংরংপুইদা থুংখি। অদুমগীদি চরা খিংরংপুইগী মশাদা গর্ভ লৈদুনা মরুম ৮ থক কোকখি। মুখিং থা ওয়বা মতুংদা মরুম ৮ অদুগী মমুংদগী মরুম ৭ থকভংদি পোকখাইদুনা লাইগী মপোক ওইখি। মরুম অমদি পোক খাইবা ওমখিদে। অদুবু মদু থুগাইরগা মাংহনখি। চরা খিং-রংপুইগী মচা নিপা তরেং অদুবু "পৌনা" নত্রগা ঈশ্বরগী মচা নিপা তরেং হায়বদি "রাগোং মারেন চনৈযৈ" হায়না থংনরে চরা খিংরাংপুইনা মচা তরেং অদু য়োকুনা চাওরক-লবা মতমদা মখোয়গী মামা [কপৌ] নারাগোংগী থুবম শিন্নবা মখোইগী মচিন মনাও তরেংকী মরকুপী মখোয়গী মামা-না রাগোংবু হিরম খুদিংদা ওয়া অদুনা ওইনবা ঈশ্বরনা য়াথং পীরকলম্মী। মাসিগী মতাং অসিদা মামা ইবেম্মা চারা খিংরংপুইনা মচা নিপা অভোম্ববু হেমা মুংশিবদগী মখোয়গী মামা না-রাগোং [লাইনিংথৌ] বু মাইখিবা পীবা, ওয়গী উপাই অদু মচা নিপা অভোম্বা অদুতদা ভাকপিরমই। মরাবশিংদদি উপাই অদু ভাকপিরমদে। মমা চরা খিংরাংপুইগী থৌশিল মতুং

ইমা মচা নিপা অতোম্বনা মখোয়গী মামা না-রাগোংবু হিরম থুদিংদা ওমগ্রে। অহুদগীদি সোরারেনগী মাথং মতুং ইমা চরা থিংরংপুইগী মচা নিপা অতোম্বনা না-রাগোং [লাইনিংথৌ] গী মিংথোল অহু লৌখিরমই। মখোয়গী মামা অহুদি মাইথিরব-মিনা পৃথীবী অসিদা লৈরম্লোই হায়রুনা লৈবাক লৈরোল তরেং হোগাইরগা পাট্রান নিংথৌ ওইনবা লৈমুংদা চংগ্রে হায়রৈ। ঈশ্বরগী মচা নিপা তরেং অহুগী মমিং অহুদি মথং শিংনা ১। বিষ্ণু ২। করাঙোং ৩। নপশিনমৈ ৪। চরা-কিলোংমৈ ৫। চোনচাই ৬। কোকলৌমৈ ৭। করাগোং কোই। ৮। মরুমদগী পোকথাইবা ওমথিদবা অহুগী মমিংনা মিমৈ কোই। হামগী না-রাগোং ওইরবা, পাটান শিংথৌ ওইনা লৈমুংদা চংগ্রবা মতুংদদি না-রাগোং (লাইনিংথৌ) গী শক্তি অসি মচিন মনাও তরেত্তা ঈশ্বরনা য়েনথোকপিগ্রে। (De-Centralisation of Gods' Administration)।
মরাখা অহমা থাইদগী হেমা পাজলম্ব কনবনি, শক্তিম্ব হেন্না লৈবনি, অহুনা মখোয়গী মামাগী থুবমম্ব বিষ্ণুদা শিন্নকম থোকপনি অহুবু মমা ইবেম্মা চরা থিংরংপুইগী থৌশিল মতুং ইমা মাগী মনাও অতোম্বা করাগোংবু না-রাগোং [লাইনিংথৌ] গী কমথোল পীথিরা অহুদা হাইপৌ বিষ্ণু অসি মথরাই নুং-ঙাইরমদে। অহুমগীদি হাইপৌ-বিষ্ণুনা মহোম্না লৈবা লাইগী শক্তিশিং অহু পুহনা মাগী মমা অমম্বুং মনাও না-রাগোং

[লাইনিংথৌ] উবা মকমদা লৈরম্লোই হায়দুনা অতোপ্পা মকম অমদা লৈরকলে হায়দুনা চংজ্রে। বিকুনা শক্তি অমাখা পুদুনা চংখিবা মমল্লা না-রাগোং (করাগোং) অমস্তুং মখা চক্রা শিংরাপুইনা লৈরিবা, মমম অদুদা মহৈ মস্নোং শানখিজে লৈ-তু শাংথখে। উচেক কাপ্পা খোংখিজে থাডু লৈজে লৈকংলা ওইমা লৈথোরে। বিষ্ণুনা মাগী মনাও নাম্বাগোংগা লুকশম শমুরম্লোই লুকই উনরম্লোই হায়দুনা মথক মখা। কয়াগী পল খাদুনা তোং ছায়া লৈরে। বিষ্ণুগী লৈকমকি হৌজিক ফুবোন চীং কৌবা কাছারদা লৈবা মকম অদুদা লৈ হায়দুনা খাজনরি।

অশোয়দম্কি মনাও নিপ না-রাগোং অমস্তুং মখা চক্রা শিংরাপুই অমস্তুং অতৈ লাই মকাম্বা লৈবা য়ামক্তদুনা অকম অথৌ মমাখু বিষ্ণুগী মনাক্তা চংহনগা থেমজিনবা কয়া লাকনখি অদুবু পুক্ষক অরেব্বা তাখি। মটেমথক্তদি না-রাগোংগী মখৌ সুগ্রীগীদমক বিষ্ণুগী মচামুগী অমবু লৌরকা তাইশেন ওইদুনা লৈরবা, মতমদা মচা সুগ্রীগী মাইকৈদগী শাওরিবা বিকু থেম্জিনবনা করগনি থদুনা বিষ্ণুগী মচা সুগ্রীবু নাম্বাগোংগী মখোয়দুগী ওইরবগীদমক হায়রকখি। লাই মখাম্বা কাম্বজনবা অদুবা বিষ্ণুনা যাবিরে। অদুবগীদি মচা সুগ্রীগী মাইকৈদগী অমাওবা বিষ্ণুগী বাখল লাক্ক থেমজিনবা শুবখিন অদুবা যামবা মহুংদা মখা ইবেম্বা চক্রা শিংরাপুই নাম্বাগোং অমস্তুং মচিন মনাও অরেপ্পা মখোয়গী মাকা পাটান। মিংখৌ অদুবু

লৈমুংবগী কৌথোক্লগা লাইশৌ বিষ্ণুগী দবক শক্তি বেমা পীরগা মনাওশিং লৈরিবা লাই তরুক অহুশীর্ষ মাগী মার্গী শক্তীগী শরুক অমুক এমা মেহ্বোকতুনা চানবা মওংগী বারক বাওঅ-বীহুনা লাইগী রায়েল থোদা অসি তৌখিবা হায়না অইদ লমনগী বারিদা অস্থুমা হায়নরি। অশাঙবা বিষ্ণুবু থেমহুনা নেমথনবগীরমক তৌখিবা থৌদোক থোওং কয়াগী বারি শাংনা লৈক্ত্রে মসিগী মতাংদা বারি মর্দা তাজররোই। না-রাগোং (লাইনিংথৌ) অমত্তুঃ চয়া খিংরপূইগী লৈকমনা হৌজিক পাওনা চাং কৌবা মকমদা লৈরি হায়না খাজমরি। লাই মচিন মনাও অতে অহুম্ তোঙান তোঙনবা মকমদা তোঙান তোঙানবা শক্তি পাইরগা ঈশ্বরগী রায়েনগী মথাদা লৈরিবনি।

মথক্তা পনজিরিবা শিবা নাইদবা লাই গুরুশিংগী রারী অসি মাংদা থমলগা ঐখোয় জেলেংরোং নংগাশিংনা থাজৈ মহুদি পৃথিবী অসিদা মীওইবদা হায়রগা নিপা সুপী, শা,-উচেক্তা হায়রগা লাবা অমোম, অচৌ অপিশক নাইরিবা পুরমক অসি-শুমা লাইরৈবাক্তন্থ লাইরেম্বা লাইরেনবী লাই অচৌবা, লাই অপিকপা ময়াম অসি লৈহল্লগা লাইগী রায়েল থোদা অমগী মথাদা মথং মনাও কাইদনা লৈরিবনি। মতুগী মতৌ অহু লৌহনা ঐখোয় মীওইবগী সমাজদন্থ সাসনগী পথাপ নাইরিবা অসিননি হায়না জেলেংরোং নাগাশিংনত্থ থাজৈ। হো হাইপৌ

তিংবাও রাগোং " হায়রবদি মোরাবেন [ঈশ্বর] ইবুংঙোগী খুৎশেম অমসুং থৌশিল মতুং ইমা ঐখোয় মীওইবগী মরক্তসু লোনচৎ শাজং অমত্তা যাম্লদে। অহুবু মাময়দবা থেংনবা মরাম লৈরিবা অদুগী মরক্ত মাগী মাগী। লৈকম অমসুং মতম্গী মতুং ইমা ঈশ্বরনা মীওইবদা লমচৎ, ধর্ম্ম, লাইনিং লাইশোনহমবীনবা-শীমমক কাংলুপ থুদিংদা মাগী (ঈশ্বরগী) অবতার তোঙান তোঙানবা হুত ওইনা মীওইবা মপোক্তা পোকহল্লী। মখোয়গী পাওতাক মতুং ইমা হৌজিক পৃথীবীদা তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম লৈরিবা অসিনি।

——— x ——

তেংলাম (হাইপো রাগোং মু-চরা কন্দি মজুংপু)

ঐখোই জেলেংরোং মাগী কাংলুপতসু তেংলাম কোবা চিপা অমা মতম অমদা পোকলমই। মহাক অহানবদা মী-রোন থুংলমদে। অদুবু কোনথংদা মাগী মংতাক্কী ঈশ্বরগী পাওজেল শন্দোকখি। তেংলামনা মীওইবগী মপোক্তা পোকলবসু শিখিদে। মহাক্না মীওইবদা (মক ওইনা জেলেংরোং নাগাদা) লাইগী মফমদা অমসুং ঈশ্বরদা ইরাং পূজা, লাইনিং লাইশোন অমসুং ঈশ্বরগী পাওতাক কয়া শন্দোকলমলগা “হাইপো রাগোং মু-চরা কন্দি মজুংপু” হায়বা মিংথোল অহু কংলবা মতুংদা ঈশ্বরনা স্বর্গদা নোংলৈ মুংশিং, লৈচিন নোংকাই মরক্তা পুহনা কাখিবনি হায়না থাজনরি।

তেংলামনা স্বর্গদা কায়দা ইদা মাংগা লৈমিম্বা মীদা মক-ওইনা মাগী সুপীদা তাকলম্বা পাওতাক কয়া হৌজিক কাওবা ঐখোয় জেলেংরোং নাগাশিংনা কিনা অমসুং লুনা চৎনরি। তেংলামবু হাইপো রাগোং মু-চরা কন্দি মুজুংপুগী মিংথোন পীরগা স্বর্গদা কৌথংখিবা অসি মীওইবগা লাইরাংমগা অমসুং ঈশ্বরগা লৈনখিবা মরক্তা পাও পীথোক-থিংলিন তোরা মারক্তা ভোখিবনি হায়না লৌই। মরম অসিদগী হৌজিক কাওরা

জেলেংরোং নাগাশিংনা ইরাৎ পূজা থৌদিংদা অমুম্মা হাই "হাইপৌ রাগোং মু-চরা কন্দি মুঙ্গুংপু মহাক্না তাকপিবা মতুং ইমা তৌরবনি " অসি হায়া হায়রগা ইরাৎ পূজা থৌদিংদা লাইশোন শোন্নরি। হৌজিকসু থূল অমদা নত্রবসু থূল অমদা মং তাবা গুম্বা মী থরা ইতং-তংতনা লৈরি। মং তাবা মাইবা/মাইবী অহূদা য়েনবা অমা রাগোং য়োইকৌ (অথম্বনা শারবা য়েন হাপ্পবা পোলাং) অমদা হাপলগা যোং অমা, চেং মরোম অমা থৌরাং তৌরগা মংতাক লৌনরি। মং তাবা মাইব/মাইবী অহূ অহানবদা হাইপৌ রাগোং মু চরা কন্দি মুঙ্গুংপুগী মকমদা চংজরগা মংদা লাইগা উনহূনা অনাবা অমগী মরমদা মত্রগা মীওইবা ঐথোইনা থংবা গুমদবা কয়া কয়াগী মরমদা পাওতাক হংলগা মংখাওনরবা মতুংদা মংতাক পীবা গুমনরি।

হাইপৌ রাগোং মু-চরা কন্দি মঙ্গুংপুগী পাওতাক থরা

১। পৃথীবী অমসুং অকাশগী মথক্তা জগৎপু শেম্বীবা মপু অমা লৈ। মহাক্না পূমনমকপু শেমবিবনি। মহাকপু ইরাৎ পূজা থৌনি তৌহনা থুরুমলগা মীওইবগী অরাবা কোকনি। অরা-সুংতাই অনিমক্তা " হো " হায়বা থোনথোক অসিমা হোই লাওরগা লাইশোন শোন্নু হায়রম্মী। মরম অসিদগী ঐথোই জেলেংরোং নাগাশিংনা মীশি-মীনা থৌদিংদা " হো ঔ-ই " হায়না

লাওনরি। অদুগা হয়াও কুথৈ খুদিংদসু 'হো' 'হো' 'হো' হায়না অপুনবা হোই লাওনরিবা অসি মরম অদুননি। হোইগী অর্থদি ঈশ্বরদা থাগৎজবা, থৌনিবা কৌজবা হায়বনি।

২। মী অমা অনা অয়েক শৌরবা মতমদা, মংহা কক্ক-বদগী পুক্রিংদা অকিবা অমা লৈরবা মতমদা য়েনগোল্লগী য়েনবা অকপা অমা থল্লগা শুমাংদা ঈশিংনা মকম থম্না নাই ঙৈরগা অদুগী মথক্তা য়ামকুপনা সুমিংকী মওং মতৌ য়েক-লগা লা থাদুনা শিং তংথাই থাইদুনা থমগা ঈশ্বরদা থৌনি-বগা লোইননা খুরুমলগা কোকনি। মসি তৌবা ছুমেজবসু য়াগাইজৌ জংথৈ হায়দুনা য়ু থম্না, চানবা পোৎ থরগা য়োৎ অমগা থোয়াং তৌরগা খুনগী অহল লমন থম্বা কৌরক্লুনা ঈশ্বরদা খুরুমগী কর্ম্ম অদু তৌবা য়াই। মথক্তা হায়রিবা কর্ম্ম অনি অদু পাংথোকপা ছুমেজবসু খুনগী অহল অমবু কৌরগা লাকোন অমদা ঈশিং থমা হাপলগা ঈশ্বরগী মিং শোল্লগা থাদরবসু অরা অনা কোকনি।

৩। জগৎ অসিদা ঈশ্বর নত্তনা অতৈ লাই কয়াসু মশিং লাকছমদনা লৈ। মখোই অদুনসু তাঙৈবং মীবু ওৎ-নৈদুনা অরা অনা পীবা য়াই। অদুগুম্বা লাইশিং অদুনা ওৎ নৈবা তৌরকক্লবদি য়ুমশানা ইয়াং পূজা তৌবগা কোকনি। য়ুমশানা ইয়াং পূজা তৌজবসু লা মচেং মঙো-তরা [illegible]লগা থাদুনা চেং থম্না তিংথৌ মতোন থম্না, লশিং থয়, হৈ-হৈ থম্না হাপলগা

চিংনরিবা লাইয়ামশিং অহুম কমিং অহু শোয়গা খাদোক-লগন্থু শিবা নাবা কোকনি। মরম অসিদগী হৌরৌংখোং নাথু শিংনা হৌজিক ফাওবস্থু অনা অয়েক থৌবা মতমা মথক্তা হায়খিবা পোংচং ময়াম অহু শেমগা "পান থাকোং থামে" কৌহুনা তৌনরি।

৪। মোং সুংশিংকা লোইমনা অথাক অমাও থৌবা, নোংথাং কুপ্পা অজা তাবা অনি-চিংবা থৌরকলবদি মখোগী মমিং "তেংলাম" হায়না কৌরগা ফগনি। মাদুগী মতুং ইন্না হৌ-জিক ফাওবগ্ন নোংথাং কুপ্পা, নোং থাকপা অজ তাবা থৌরকলবা মতমদা "তেংলাম"গী মিং শোয়গা কৈ হায়দুনা লৌমরি। থোইজুম ল ইথাম নৈদা থানরি। মুমদা খোইজুম লাইথাম অমা অহু থোংজিনদা থেংলবদি করুবা লাই (শাইতান) চংবা ঙমলরোই। মরম অদুনা হৌজিকস্থু হৌরৌংখোং নাগাগী মুমদা থোইজুম লাইথাম অমা অমমম থেংনরি।

৫। চহি অমগী মনুংদা লৌ-ইংথোন্দগী মহৈ-মরোং পাংলুনা মুন্থবা মতমদা অহানবা মহৈ-মরোং অহু ঈশ্বরদা কাম্না কংখাক্রগা চাগদবনি। মরম অসিদগী হৌজিকস্থু কুম অমদা মহৈ-মরোং পানবা অহু হেকলকপগা কৌনৌ ইহান। কম্না অমগী কর্ম অমা "শুক্কাবৈ" কৌহুনা কৌগৌবা কর্মগা লোইদনা ঈশ্বরদা চাক-শান যুশান শানরি।

৬। ইরাৎ পুজা থৌনি/থৌদৌ থুদিংদা শিং, য়েৎথংবী লাপক, য়োৎ, তিংথৌ, নোংপোক মাইকেদা মনা হাইবদা থৌইজুম লাইখাম অসি শিজিন্নগনি। মরমদি শিংনা মাগী (হাইপৌ রাংগাং মু-চরা কান্দ মুজুংপুগী) থোংশা অমদি থুং-শানি, তিংথৌনা মাগী কোকী শমনি. য়োংনা মাগী ময়ানি থৌইজুম লাইথামনা মাগী মরৈনি অসুম্বা তাকপিরমই। মরম অহুদগী হৌজিকসু ইরাৎ পুজা থুদিংদা. না-য়েংলবা মতমদা মথকী পোৎশিং অসি জেলেংগোং নাগাশিংন লুনা শিজিন্নরি।

৭। মহৌশাগী থুংশৈম শিং (Natural o jects) হায়-বদি মৈ. ঈশিং, সুংশিং, লৈবাক অমসুং অকাশ অসিগী থোং-থাং কাইদনবা অমসুং কাইরকলবা মতমদা অহুপুম্বা অকাইবা অহু থোক্তনবা সু-মৈ, নৈ-মৈ [নামুংবা] হায়বা কর্ম্ম অসি তৌ মাহু তৌরগা কগনি হায়রমই। মরম অসিদগী জেলেংয়োং জাইগী চংনবা ওইনা কুম অমদা মোং হাম্না তাবা সুমিদা; লেন হাম্না তাবা সুমিত্তা. নোং হাম্না থোংবদা, মুহারাব সুমিত্তা অসিগুম্বা উপদ্রপ থোকপা সুমিং থুদিংদা নামুংবা হায়বা কর্ম্ম অসি তৌ-ররি। অসিগুম্বা সুমিং অসিদা থুম অহুগী মী পুম্নক লৌ-কুম্বা, য়ুম শাবা, নং অমসুং কী শাবা য়াদে। মদি ঈশ্বর মাসু কিনা অমসুং লুনা লাই থুকমবগী থুনম্নি।

৮। চহি অমগী চানিথকনবা তাইবংদা নং নংগী চাবা ওকনবা চাংদগা হেন্দোকনা থৌ চেং মমা মশিং, মরু মথানেচিংবা

লোকপা কংলবদি মীয়ামদা কৎথোকউ নংগী অকবা ওইগনি হায়রমই। অহুনা চৌজক কাওবস্তু জেলেংরোংগী-মীশিংনা রাগাইদাইগুমৈ, মুলেংমৈ, বানক্কমৈ, তরাংগুমৈ অসিনচিংবা কর্ম্মদা ইনাক থুনবা মী অহুগী মরন মথুম, কৌ-চেং অহু মীয়ামদা দান তৌবগী মওংদা ধর্ম্মগী কর্ম্ম (Religious ceremony) তৌনরি।

মথক্তা পনজখিবা পাওতাক অসিদস্থু নত্তনা হাইপৌ রাগোং মু চরা কন্দি মুজুংপুগী পাওতাক কয়া কয়া লৈরি। ভেংলামনা মীওইবগী মপোক্তা পোকলগা মীওইবদা মাগী মংডাক্তগী পাওতাক ময়াম মথক্তা হায়খিবা অহুগুম্বা কয়া কয়া ভাকপিরম্লগা "হাইপৌ রাগোং মু চরা কন্দি মুজুংপু" হায়না মিংথোল অহু লৌহুনা স্বর্গদা হো তিংকাও লংগোংনা (ঈশ্বর) কৌথংখিবনি হায়না থজনরি অমস্থুং লোয়রি।

"হাইপৌ রাগাং মু চরা কন্দি মুক্তংপু" [ভেংলাম] গী পাওতাক অহুগী মতুং ইমা হৌজিক কাওবা জেলেংরোং নাগাশিংনা হায়বদি "হো হায়না হোই লাওবা মীশিংন লাই খুরুম্বগী মওং, নামুংবা, ইরাৎ পুজা হৌমবগী মওং অসি তম্লাই কয়না রামত্রবদা চহিদা অমুক্তংদগী ভাদনা তৌনরি। লাই খুরবা অককনবা মশিং লৈত্তে। চহি অমদা মম্রা/তরারুক তৌবস্থু রাই। মথক্কী নম্বর [৮] অসি নত্তনা জেলেংরোং নাগাশিংগী লাই খুরবগী মওং অসি চাওরাক্লা মথল অনি থোক্লা থাইবা রাই।

১। শোরারেন খুরুম্বা ২। মথক্কা পরজখিবা ঈশ্বরগী মচা ভরেৎপু খুরুম্বা অমম্মুং বম্মু কাইরাও হায়বদি ঐখোয় নাক্তা লৈবা লাই অতৈ অতৈবুস্তু খুরুম্বা অসিনি। জেলেংরোং নাগাগী ধর্ম্মদা অমম্মুং চৎনবা ইপানাৎ ইপুমাগা অতৈ লাই মরাম লৈরিবা অসিবুস্তু খুরুম্বদা অথিংবা লৈতে। মখোয়না থাজৈ মহুদি অগৎ অসিদা লৈরিবা লাই পুম্নমকপু ঐখোয় মীওইবনা লোইনা খুরুম্বা ঙম্বা নত্তে। অদুবু ঐখোয় ঐখোয়গী নাক্তা লৈবা লাই খরবুদি খুরুম্বনা কৈ হায়না থন্দুনা খুরুম্বনরি। অদুগুম্বা লাই খুরুম্বা অদুবু বম্মু লাই খুরুম্বা হায়না কৌই। অসি নত্তবা কাইরাওথো গুমৈ [অপোকপা খুরুম্বা] লন কৌবা, কৌগোবা অসিনচিংবা ইরাৎ পুজা থরম্ন তৌনরি। জেলেংরোং নাগা শিংনা থাজৈ মাহুদি মীনা পেল্লগা লাইনস্তু পেল্লি হায়দুনা মীগী শেবা তৌদুনা মীবু পেনহনব, মীবু মুংশিবা ঈশ্বরবু কিনা অমম্মুং লুনা তৌবা অসিনচিংবা অসিস্তু থাইনদগী তৌরকলি। মুলেংমৈ বানক্রুগুমৈ, [মু·হোংবা] তরাংকাইগুমৈ [অহোংমুন-শাবা] অসিনচিংবা কর্ম্মশিং অসি মীবু পেনহনবা কর্ম্মগী মম্মুং চল্লি।

হাইপো রাগোং মু·চরা কদ্দি মুজুংপুগী পাওতাক মতুং ইমা চহি অমগী মম্মুংদা নামুংবা হায়বা কর্ম্মস্তু তৌরকলি। নামুংবা কর্ম্ম তৌবগী মরমদি ঈশ্বরগী মগুনবু শক·শোন্নুনা লাহ খুরুম্বনি। মকৌশাগী মৈ, ঈশিং মুংশিং, লৈশাক অমম্মুং

অকাশ অসি ঈশ্বরগী শকতমনি হায়না লৌরগা চহি অহুমা নোং ইহান হায়া তাবদা, নোং ইহান কায়া খোংবদা; লেম ইহান হায়া তাবদা, য়ুইার ব মতমদা, য়ুম যৈনা চাকপা মতমদা মহৌশাগী থুংলেম অসি কাইদনবা হায়তুনা নামুংবা হংয়বা কর্ম্ম অসি তোনয়ি। ম্যাসিগী মথক্তা চাহি অহুগী মহৈ মরোং থাথিবা অহু মহৈ চুমবা কনাগুম্বা মরাইবক থীবা মানা মী শি থীনা (Un Natur l death) শিবা খোকলকপদা অহু-গুম্বা কতবা অহু অমুক খোক্তনবা হায়তুনা নামুংবা কর্ম্ম তৌই হাইপো য়াগোং মু চরা কন্দি মতুংপুনা তাকপিরক্সা পাওতাক ময়ায়, অহুগা জেলেংরোং নাগাশিংনা থাইনদগী হৌজিক ফা-ওবা চংনয়কলিবা লাইনিং লাইশোন ইরাং পুজা থৌনিগী পথাপ পুয়মক অমি মওং তানা নিয়ম লাইনা লাইরিক অমদা থম্বা ওমলমলগদি হৌজিক গ্রাথায়না থংনরিবা বাইবল কোরান অমস্তুং গীতা অসিনচিংবা ধর্ম্ম ল ইরিক্ত করিস্তু খেময়োই হায়-বদা খোইনা লাল্লোই। হৌজিক থুনৈন নত্তবা জেলেংরোং নাগা শিংনা অস্তুয়া চংলিবা ধর্ম্ম অসিগী মমিংবুস্তু হো ধর্ম্ম (Hoism) নাগা ধর্ম্ম [Naga Relegion] কৌবস্তু য়াবনি। নাগা ধর্ম্ম কৌবনা মখিক চাই হায়বা হংয়ন্বিবা ধর্ম্ম অসিদা অমাংঅশেং লৈতে. অচৌ অপিশক থাইদে. মী পুয়মকপু চপ মায়বগী মিয়েংবা থম্মা, পুয়মক ঈশ্বরগী মচা মত্ত তাক্তনি হায়না লৌই, অতৈ অতোপ্পা ধর্ম্ম চংপা মীধু ধর্ম্ম অসিদা

মক্না চংহনবগী থবকশু লৈতে অহুমা অহোংবা ধর্ম্মশু আপি তা-ওইনবগী তাবশু মাওদে। মরমদি মী পুম্নমকপু ঈশ্বর ইবুংঙোবা মাগী শক্তিগী শকক থবা থবা হাপ্লু না লোমবিবা ঙ'ক্তবি হায়বা লৌই। লাই খুরুমবগী অককমবা নিয়ম থবা লৈঅরবশু লাই খুরুমবগী অমশুং লাই খুরুমদবগী অথিবো মমশুং অতুমবা লৈতে। মী খী অহুগী তোপোকপকপা অহুগী মখা পোক্লি। অহুবু করাগুম্বা মীনা চংনবী ধর্ম্মবু খুগাইদুনা চংশনগী মপাগী কনমবদা নত্তন মরামগী মকমদশু অকাইবা। লাকদবা লমচং শাজং চংলকলবদি অরানবা শোবা মী অহুবু চৈরাক পীবগী ক্ষিয়মশু লৈতবা নত্তে। নাগাশিংমা চংলিবা ধর্ম্মদা মুর্তি থম-দুনা ইরাং পূজা তৌবা চংনদে। অহুবু কন'গুম্বা মীনা লাইগী মুর্তি থমলগা ইরাং পূজা তৌগে হায়দুনা তৌরবশু ৎ কিংবা লৈতে। অহুনদি নাগাশিংনা চংলিবা ধর্ম্ম অসি মপুং ফানা নিংতম্বা (Complete freedom) হায়বা অহু ওই। মখোয়না খাইজ ঈশ্বরগী মওং মতৌ ঐখোয় মীওইবনা লাকশিনবা ঙম্বা নত্তে। মতাঙ্গী ঐখোয় মীওইবুনা তৌরা ঙম্বা, থনব ঙম্বা, ঊবা ঙম্বগী মাংমা লৈত্রে হায়না লৌই। মথাক্তা ওইনিংবা মওং ওইবা ঙমই, তৌনিংবা পুম্নমক তৌবা ঙমই। মহক্কা ঙমদবা অমত্তা লৈতে অহুনদি ঈশ্বর অসি মওং মতৌ অরেম্বা লৈতে হায়না লৌই। মইহাক্কী মকম খুদিংদা মতম পুম্নমক্তা লৈ।

মাগা মশিংনদু মখোয়গী মেনহৌজৈনগী হৌনা চলনফমবিদা চংশিনবী ধৰ্ম্মগী মচাক্তা মখোয় মখোয়গী মশা মপুংগী ধৰ্ম্মং (Custom) লোইনা লৈনবা ওতকি। মখোয়না থাজনা ধৰ্ম্মদা ইশ্বৰগী ইপুরাং (Custom) না থাজকে খেরে ধৰ্ম্মদি মতম পুম্নমক্তা হোংবা লৈতে। অদুবু চৎনবী (Custom) দি হোংলোক হোংথিন তোকখা থাই। মমদি মতম অমদা কনবা চৎনবী (Custom). অদু মতম অমদা চৎনবক্তুবা থাই। তৌইরুবদুং অচুবা ধৰ্ম্ম হায়বা অদুদি মতম পুম্নমক্তা হোংবা লৈতবা লেংবনা লৈবিবা অমিদি। ধৰ্ম্ম হায়বা অসিদি অচুবা ভানবা লমী অদুবুনি হায়না লৌই। অগংবী মপু ইশ্বর অসিদি অমি ওদে অমথকতনি। অচুবা অচুবা অমদুং লেংবনা ধৰ্ম্ম অদুদু অমথকতনি। শুদগী মমক ওইনা পৃথীবী অসিদা ভুরেন কয়া কয়াগী মিং তোঙান তোঙান্না খোন্দুনা চেংবা ভুরেনশিং অসি সমদুগী ঐশিং ইপাক্তা ডিমগ্রবা ভুংনা ভুরেনশিংগী মমিং ময়াম অদু খংথিবা অদুগুমদুনা পৃথীবী অসিদা তোংঙান তোংঙানবা ধৰ্ম্ম মমিং খোন্দুনা চৎথিবা ধৰ্ম্ম ময়াম অসিন্দু ইশ্বরগী মকম মোথা মতমদা ধৰ্ম্মগী মমিং অমত্তা লৈয়রোইদবনি। ইশ্বর মাগী মকমদা অমত্তা ওইনা লৈরগমবনি হায়না অমং অদে ধৰ্ম্ম পণ্ডিতশিংনা হায়রিবা অদুনি। মহাত্মা গান্ধিনা অদুমনা হায়রগী মাহুদি পৃথীবীদা তোঙান তোঙানবা ধৰ্ম্ম মযাম অসি লায়নম থংগে হায়রবদি মাংখানা

চংলিবা ধর্ম অদু মসক খুত্রা অংলকপনি। খুদি, অদোম্মী ধর্ম অদু মশক মুত্রা মতেংনা কাং অতোপ্পা কাংলুপ 'অতোপ্পগী ধর্মদু লৌশিনবা অমি মথৌ তাদে। গীতা লাইরিক্তা অসুম্বনা ইদি মাহুদি ঈশ্বরগী মাখং [পাওজাক] অমুং ঈরা মানী মানী কাংলুপকী ধর্ম লৈনা লৈনা অতোপ্পগী ধর্ম লৌবা কী অদু চাকশিনবা ওথবা পাপ লৈরবনি।

× × — — × ×

শা চাবা অমসুং চাদবা মীগী মতঙ্গা খেন্নবা

নাগাশিংনা শা, ঙা, অমসুং অতৈ জীব হাত্তুনা চারিবা অনিগী মতাংদা শা, ঙা, চাদবা (Vegeterians) অতৈ ধর্ম চংগা মী খরনা অদুম্না থমবা য়াই। শা, ঙা, হাত্না চাবা কাংবুনা কন্না ধর্ম চেৎবা মী ওইগদৌরিবা? ধর্ম কন্না কাবা যংগদৌরিবা অসিনচিংবা। অদুবু নাগাশিংনা চংলিবা ধর্মদা শা হাংবা অমসুং চাবা য়াই নত্রগা য়াদে হায়বা লৈতে। [illegible]বু মখল চাদবা অমসুং মওং চাদনা জীবা হাংবা অমসুং চাবদি পাপকী মশকনি হায়না লৌই।

মাপাশিংনা শাঃ, ঙা, হাংপার অমখুং চাবা অমি কন্নিংলবা মরম অমগী মতুং হাপ্পবদি ঐখাক পুক্তা মকা-ন মীওই পুক্কিং অমখুং থাবক লৈরবা থৃবক্তা লিরিরনরবদি পাপ লৈতে হায়না কৌই। অমরমদি মীনা চাত্তুনা চাখিবা জীব অহুপী থরাই অহু মর্মদা কাগ্রবদি হায়না কৌই মরমদি মখোয়গী (জীব অহুপী) মশা [flesh] অহু মীওই-মনা কংথোকপ্রবনি। অহুদি মতমনা লমদি শিগ্রবদি মখোয়গী থরাই অহু মর্গ যৌবা ঙমদে। অমুম হায়না থন্দুনা ঐখোয় মাপাশিংনা শা, মন উচেক, ওক, য়েল হাংপা মতমদ' পুক্কিংনা মিংলগম্বু নত্রগা খোনজেল থোক্না ওইরবস্তু "য়েনশাংগীনি" হায়রগা কাত্তুনা চাও হায়না অহল-লমম্না পাওতাক পিবিরিবা অহুনি। অমুম তৌনা জীব কাত্তুনা চারবস্তু ঈশ্বরবু কিনা অমখুং লুনা মিংজহুনা চাকপান য়ুপান ত২তনা থাহুনা লৈবা মীগা শা, ঙা চাদবা শাধু অমগা ধর্ম্মগী থন ওনবদা কনামা য়েনগদবে হায়রদ্রা কনাস্তু হায়বা ঙমক্লোই। শা, ঙা, চাবা মীনা ধর্ম লৈরবস্তু মাই নত্রগা চাদবা মীনা য়েমা ধর্ম লৈরর-বস্তু হায়রিবনি। শা, ঙা, হংত্তুনা চাবা অহু শিখিবা শা, ঙা অহুপী থরাই অহু মর্ম কাবা মানবা ওইরবদি শা, ঙা, হাংলিবা মী অহুপী পাপ লৈতে হায়না কৌই।

শা, ঙা, হাত্তুনা চাবদি লায়রহুনা মীয়ামগী অমখুং লৈ-মাজী ক্সরয়া লৈরবদি লান তৌহুনা য়েক্রবদু হাংলু মর্গ কাগনি হায়না শাস্ত্রদা ইনবিবা অহুনি। অহিংসাবু পালন তৌহুনা

লৈবগা অাত্তিগী মপা মহাত্মা গান্ধি মকমন্থু হায়রবা অহুম্বি, হিংসাগী থবকমু মরম চাবদা তৌবা যাই হায়না অসিগুম্বা হিংসাগী থবক অমুসু ইংরাজিদা হায়বগী Permissible violence কৌই। খুদমদি শা কৈমা অমসুং হ পুবা লিমা যীমু হাৎন্বা অমসুং চিকনবা তাহরকলবদি অচৎশুবা শা কৈ অমসুং লিম অমু হাৎপদা পাপকী থবকদি হায়না তৌবা যাদে অসিদি।



" লাই খুরুম্বগী কান্নবা "

মথক্তা হায়জবিবা অমুগী মতুং ইন্না লাইগী অপৎ অসিদা খুাইবগী হেন্না চাওবা " মো ভিংকাও বাগোং " ঈশ্বর (দেবাবেশ) অমা লৈ, মাতুগী মথংদা ঈশ্বরগী মচা পুপা ভরেৎ অমুগী মথক্তা অটৈত অটৈত লাই কয়ামরুম লৈদি হায়রে। মথোর অমুম্ ইয়াৎ পুজা তৌমুনা খুরুমবগী মতং থওম্ চাওবাক্তা পনজরে হৌজিক ঐখোয়না লাইবু খুরুমলগা কান্নবগী মরমদা থবকপা হায়রে। ঐখোয়না লাইবু খুরুমবদিবা অসি ঐখোয়গী পুন্সিদা থোকপা যাবা অথুবা অলোৎপা কান্নবা অমু ংখপে হায়রুনা

অদুগা মাদা য়েক্তনবা পুক্নি মোংশাংনবা থুরুমনরিবনি। মাদু কংলগা ঐখোয়না লাইবক কবা কৌই। লাইবক কবসি ঈশ্বরনা ঐখোয়গী পিবিরকপা মনাসি হায়না লৌগনি। ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমদা Science অমসুং Technology দি মতেংনা মথৌ মথা অমদা কায়ব শেল, লন, শক্তি মতৌ নশিং কয়া কংবা ওইনবসু ঐখোয়না Science অমসুং Technology বু থুরুমগদবা নত্তে। মাদু পুম্নমক ঈশ্বর ইবুংঙোগী থৌজালনি হায়না লৌগনি। ঐখোয়না ঈশ্বরবুদি মতম পুম্নমক্তা কাওবা য়াদে। ঐখোয় মীওইবা হৌরবা অসিদি কনা নিংজ হৈজরবসু ফিরম থুদিংদা থংবা অমসুং হৈবা ঙমদে। মীওইবদি হাথল অমসুং পহুল মপুং ফাদে। সাবা য়াই, নিবা য়াই, অমর মতে মরমদি-গোকপু পে কলথদি নিবা ওয়রবা অদুসু শোই-দনা কংথগদবা ওইজনি। মসিন অদুনা লাইবু থুরুবা হায়বা অসি তৎনা থারবা য়াদে। থবাই মকচাং য়াওনা লাইবু থুরুম প্রবর্তন মতুং কল মতৌ অদু শোইদনা কংবা ওমই। ঈশ্বরু থবাই মকচাং য়াওনা থুরুবা মীশিংদুনা ফিরৌবা, অপাম্বা, অশাওবা লৌকই। মসিনা পুক্নিংগী শান্তি হনবনহৌরি, অশ্বোম্ব শোকই। মমম অদুনা পৃথিবীগী ধর্ম পুম্নমক্তা লাইবু থুরুম্ব বাম ফিনই অদুনানি। লাই থুরুবদা থবক অ'সিদি শান্তিগী থবক নত্তে থাগিনবি অশোইবগী থৌরকপা অশেংবা লাইশোন হায়বা লাক্লি। লাই থুরুবা তবাহি তবাইনা পুক্নিং থবাং তশোমনা

তৌবা য়াদে। মাই থুরংবগী উদেশ্যাদি মাং-থাংগী পুক্নিংবা থবাবা ভাবনবা, সুখ'ইনা পায়ব', অদোবদা তাঙ্খৈ লৈরমলবসু খাং কোকপিনবা হাল্লুনা শেখোবা মপু ঈশ্বর ইথুংতোনা থুবাং চাং-থৌ ভরাদা থৌনিবা হায়বা অমুনি। থাইদগী থেম্না লাইবা লাইঁ থুরুম্বগী মতংদি ঐখোয়গী ইথেৌ কয়দা থঙং চুবা নিয়ম নাইঁবা পাংখোকপা অসিনি। ইথৌ হায়রবদি ইশাবদা ওইঁবা থর্ম পাংখোকপা, মীগী অমসুং সমাজগী কায়বা থর্ক পাংখোকপা অমুসা লাই অমসুং ঈশ্বরগী মথক্তা ভক্তি; খোগল তৌবা থর্ম মতাম অমু পংখোকপা অসিনি। ভাগবত গীতাদা অর্জুনা হায় মীওইবনা মাগী মাগী মখোয় কদদা পাংখোক্লগা লোইরে। থর্ম তৌবগী মতৌদি ঐখোয়না কংগনি হায়না খাপা তৌরোইদবনি। থবক অমু হৈদে মতুদি ঐখোয় মীওইবগী মথুক্তা লৈতে, ঈশ্বরগী মথুক্তা লৈ। মাই থুরবা হায়বা অর্থাৎ পুক্নিং হকচাং হাওনা হাখল তোইখোকপা ঐখোয়না অপাম্বা অতৈ পুক্নিং থিংজিনবা, চাং নাইবা, থকশি খাশি নাইবা, লাইশোন শোনবা খামথুনি মসিমু তৌবা ঙমলবা মী অদুতনা মাগী পুক্নিংদা নিংবা থুংবা শান্তি ফংবা পুক্নিং শুংচাইবা হায়বা অদু ওই লাক্লি থর্ম হায়বা অসিদি ইশা ইশাদা লৈরবনি। মী অতোপ্পগী তোঙ্গ সরবা মতে ঐ ঐনা অকবা থবক তৌরগা পুন্য্য কবা, কত্তবা থবক তৌরগা পাপ কাবা অসি মশামা ভারদ' হাকবনি। ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা থবাই পালিবা অসি ঈশ্বরনা যাগী

মপাগী ওইবা মচাক অমা পিবিরদনী ঐবোই মীওইবা অমদি জীবা খুদিংমা হিংলিবনি। মরাই অসিনা হকচাংবু থাদোক্লুনা চংখিবা মুমৎ অদুদা ঐবোয়না শিবা হায়বা অদু ওই। অদুনা ঐবোয়না তাইবংপান অসিদা হিংলিঙৈ মতম অসিদা মরাইবু মুংশিগদবনি অমসুং খুনা তোপদবনি। মরাইবু মুংশিবা হায়বদি মীওইবা অমত্তুং লিবু মুংশিবা হায়বনি। মরাইবু খুনা তোবা হায়বদি ঈশ্বরবু খুনা চান্না অমত্তুং কিনা তোবা হায়বনি। মাসি থংবা চৎপা ওবা মী অদুবু ধর্ম্ম লৈবা মী কৌই। খ্রাইষ্টনী যেন্না কথা লাইরিক অদুদি ইবৌ ইবৌদা মতং চুপনা পাংথোকপা অশিতনি।



মরিওশা ভাকক

জেলেংরোং নাগাগী চংনবী লাং (Custom)

অতৈ জাতিনা তৌবগুম্বা জেলিয়াং নাগাশিংগী সমাজস্তু চংনবী ইনাং লৈরে। মীওইবা জাতিনা নাইতোম নাইতোম লৈবা হৈনদুনা কাংলুপ তিমদুনা লৈমিন্নবা পাম্বা অদুগুম্বা হাথলদগী য়ুমকম ওইরগা নাগাশিংগী সমাজদস্তু ইমুং কয়া মরুম তিম্ররগা খুল অমা শেম্বা হাববা অসি হৌজিকস্তু অস্তুম চংনরি। খুল অমা লৈরবদি খুল অদুদা পুকচেল খোইজেল মাম্না, অমনা অমবু থকশি খাসি নাইনবা, অদুগা খবন চৈনবা য়াথোক কয়া হারক য়াতেম্নবা অমস্তুং খুদগী অপুনবা ওইনা ইয়াং-পূজা তৌনবা অ.ন অমগী মতেং পাংবদা খুদোং চানবা হায়দুনা পৈকাই (খোইবে), খংচু [পাখং ক'ন', লুচু (লৈশা কান) করাপৈ কাইবং [কনুবী কান] লাকপুই কাইবং [মৌ-কান', অশিমচিংবা সংস্থান কয়াথরুম তণ্ডাই কদমা চংই অমস্তুং শেমই। খুল অমদা লৈনা মী খুদিংমক হায়রিবা সংস্থানশিং অসিগী মরক্তা সংসথান অমদা শোইদনা য়াওদবা য়াদে। মসিদা য়াওদবা মী অদুদি খুলগী মী ওইরে হায়না লৌই। মথক্তা পনজখিবা সংসথানশিং অদুগী মনুংদা পৈকাই অসিনা থ্রাইদগী মরুওইবা

অচৌবা সংসথাননি। মরমদি খৌবৈ [Village Council] অসিদা ১। সাসনগী থবক ২। ধর্ম্ম বিচারগী থবক ৩ ইরাং পূজাগী থবক ৪। নামুংবা নাখুংদা লাওথোকপগী থবক অসিনাচিংবা থবক মরাম অসিগী দাইত পুমমক খৌবৈদা লোইনা শিননৈ। মী অমবু নিংথৌ হাপলগা খুলগী সাসন তৌবগী নিয়ম লৈতে। এজা ভৈরী শাসন অদুদা য়ুমকম ওই। খৌবৈ অমগী মেম্বর ওইনবগীদমক মীথল তোরগা কা-র্যগী নিয়ম লৈতে। খৌবৈগী মেম্বর অমা ওইবদি চহি মত্তাংবা থইল ওইরকলবা মঙ্গা খুল অদুদা অহল ওইবা মীশং রাং-লকলবা মতম অদুদা খৌবৈগী মেম্বর ওইদবা রাক্তবা মতম অদুদা খৌবৈগী মেম্বর ভগ্গাইকদনা ওই।

পৈকাই (খৌবৈ)

পৈকাই [খৌবৈ] হায়বা সংস্থান অসিদা শরুক অনি থোকই অমনা, ১। বানচং, ২। বানজা অসিনি। বানচং হায়বা শরুক অসিমদি মীশক থনদে। মশাগী চহি অহল ওইরকপা মতুং ইমা হুমা ওইনবগী বাদনি। বানজা হায়বা শরুক অসি-মদি করিওনা, অকবা হিবম খুরা যাওবা ভাই। মচু যাওরগা রাজ হায়বা নৈ। মহুদি খৌবৈগী অহল মচু মতে মনাও [অরাং নমুবী] অসিমক থাইনরা। তৌদনা হিংখিবরা রীনা ওই গনবনি। মচা মত পোকপা (লৈবা) মীনা ওইগদবনি। নাবা

লোইবা/রাংপা মীনা য়াম্লে। মায়কৈ শিংগী মখোয়দি (১) আঙু লৈপেৎ। (২) খুনপু (৩) খুলাক (৪) লুপলাক (৫) [illegible] (৬) [illegible] অসিনি। থৌনৈ লেঙ্গ [illegible] ওইবগী [illegible] মতম লৈতে। থৌবৈগী মেখুর ময়াম্ক তৌগদবা [illegible] ১। [illegible] রাখোক লানখোক পুম্নমক্কী বিচার তৌবা অমস্নুং মরাল লৈবা মীগী মথক্তা রাকোং চাম্না দন্দি তৌবা ২। খুনগী ইরাং পূজা থৌনি, পুম্নমক মখোয়না তৌবা, মখোয়না ইরাং পূজা তৌরগদবা ঈশ্বরনা লৌই হায়না থাজৈ। ৩। খা খুম্নিংবা নত্র-খা অকক্পবা থা থবদা তৌগদবা [illegible] কুমথৈগী মতম লেম্বা অহুপা কুইন্দ ফিরোং থুমিংদা মখোয়না চাকপান মুপান পায়রা ৪। খুজা অশি অনা য়াওবগা অশিবা অহুগী [illegible] [illegible] অমস্নুং লাইখোম তিনখোল তৌবা। ৫। মকৌপাগী অমস্নুং পৃথীবীগী খোংচং চায়বদি অদুং মুংথিল খাইরিবা [illegible] [illegible]-[illegible], মতম চানা ঋতু লাকনবা, মতম চনা [illegible] [illegible] কংনবা, উটেং রাইহৈ লৈত নাপী শিংবী পুম্নমক কংনবা চহিগী ওইবা [illegible] অমদি তাজা খুদিংমা নাম্বংবা (Taboo) [illegible] অসি তৌবা অহুমা মকৌপাগী খোংচং [illegible] [illegible] [illegible] মী ওইবগা অমাংবা অকিবা লোকপাল [illegible] [illegible] অমুক [illegible] লোক্ষনবা হায়দুনা নাম্বংবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] "[illegible]" হৈন্দে (নাম্বুংগে হায়দুনা লাওথোক্লই। [illegible] [illegible] [illegible] ভাগ্যগা। [illegible] [illegible] অদুকী [illegible] [illegible]

ভকুপৌ (নৈপৌ) অহুনা নাম্নুংবা তোকলে হায়না অমুক লাওবা অসিগুম্বা থবক অসি তৌই। ৬। থূন্দা অঙাং পোকলবা মুমিৎ মঙাদি তুবদা থৌবৈগী অহলশিংনা নাজুন গাইমৈ কৌবা কর্ম্ম (ষষ্ঠী পূজা) পাংথোকই।

থংচু (পাকং স্নান)

